## ৱারী মচা

# মীনুংশি

*এম নবকিশ্বর*

চহীনা মশাদু থুপচিনবা হৌরবা খুড়া তোমচা মপোৎ থল্লবা রিক্সাদু কৈথেল তন্না ইল্লক্লি। মহৌশা ইদোন্দু লৈরিঙৈদা ইখ্বোল চাউনা কোইরম্বনি। মীওইবগী দশা তম্বা ঙমদে, মচা মথং মথং শিখ্রবা তুংদা ইন্দোন্দুসু লৈখিদবনি। মচানুপী অতোম্বী লোইদাংনা মপানা ইল্লিবা রিক্সাদু মতেং পাংলক্লি। মমানা তৌরম্বা থবক্লি, তৌবিনিংঙাই লৈতবদগী মপাগী মতেং পাংলক্লীবনি। লোইদাং মশক ফজবদা খম থেংলম্বনি, হৌজিক্তি লৈকংদা শাৎপা থম্বালগুল্লে, য়েংবদা হিকথনা উরে। ইমুংনা অশি–অনা নংদ্রিঙৈ ময়ুম পানগেসু তৌজরল্লবনি, ফিবমসিনা হেজিক্তি মপা থাদোক্লগা করন্না ময়ুম পাল্লুগনি।

–ইনখৎলকউ ইবেম্মা, ইনখৎলকউ।

–বাবা য়ান্না ৱারব্রা? পোৎথাখিসিরা, বাবা।

ৱাহৈ খোনফম, মশক মমানি মমা, খোকচনবনি। য়েংঙুরে মমা, তারুরে মমা, মচাদু মিৎনা কন্না য়েংবা ঙমদে, মমা নীংশিংলকপনা মিৎলুদগী পিরাং খাম্বা ঙমদে। খুড়াগী ময়ি চৎলবা মায়থোংদা পিনা ফৈনা য়ুনা চেল্লগা তাফম থিরি।

লমখাই বজার খুঙ্গংশিংগী কৈথেলনি। কৈথেলগী মচি অমা য়ৌরকপদা অরাপ্পদগী লাকপা লল্লোনবীশিংনা মপা মচাদু য়োমশিল্লি। অঙকপা লল্লোনবী লাক্ল–ফানবা ঙমদ্রবী কাংবুনি। ফনেক খোইথক–খোইখা অনী পূন্না শেৎলবী, মমাঙ লুন্নীবী, ঙল্লগনি য়ারে খন্দুনা য়ুম থাদোক্লক্লবীশিংনি। তুহৎপা নমজা নমথেক মীঙম্বী নৎত্রবদি কদায়গী শেন্দোং য়ান্না ফঙগনি। খুড়া তোমচাগী রিক্সাদা লল্লোনবীশিং য়োমশিল্লি, লংজানা শদুম শেৎনবগুম মাগী মাগী থুম্মোক্তা খাওদা ফঙহৌবা কাংবুগা ফঙহৌদবা কাঙবুগা পোত্তু পায়রগা চিংনৈ, লাওনৈ অমাগা অমগা–

– ঐনা হান্না পায়বা পোৎনি, অফাওবী

– হরে তোঙম্বী, ঐদি কৈথেল য়ৌদ্রিঙৈদগী ইল্লক্লিবা রিক্সানি, তখৎপী।

হেন্নদে অনীদু অমগা অমগা মফি তনশেৎ শেৎনৈ, ধমকা তৌনৈ হামেংগুম।

– নঙগী নিপারা 'সিবু। 'ৱায়াম্বী নুপী কোইজম্বী।

– মান্নি ঐগী ইৱানি। কৈদৌগে হায়রিবনো? ইল্লকপা ফিদুপ্তুনা থবাক্তা কোমগোম অমুক লাকশিল্লগা, শোকপা য়ারোই, ঐগী নুপানি। তস, কৈদৌগে হায়রিবনো?

ৱাহৈদুনা ঙসিদি খুড়া তোমচা ফাওবা মমল কারে। তৌবগীসু নুপী মরক্তা নুপানা মনা–মশিং য়োনবা মতিল্লকদো। নুপী ওইজরবসু লোইদাংদি লৈশাবীনি, কুম্মে য়েংবা নক্তনা মায়রোং য়াবা ঙমদ্রি। লাইরবগী ফিজেৎনা মৌ মাঞ্জবগী ৱানি। খুড়া তোমচাসু মহৌশা তৌরক্তবনা পাঙ্গল থোক্লা মপোৎ য়োঞ্জবা ঙমদে। অমরোমদা খুড়াদু হেক ইন্ন–খোৎনা য়াওরুবদা মীচং লৈরোই। নুপা পাদা অমনি, নুপীদা খূৎ থাই, অদুতা নক্তে মখূৎ মশা ... 'মতা অমনি হেক্তা হায়জিল্লক্কনি।

রিক্সাদা পোৎ য়াওদ্রে। খজিক্তংদি ইংঙে। অউদুবু পৈশাদি ফঙদ্রি। মপা মচাদুনা খঙহৌ উহৌবা লল্লোনবী খরা কোইয়েং য়েংদুনা লৈ। ইম্ফালগী লল্লোনবী পুবা বস মথং মথং হোরন খোংলক্লে। লল্লোনবী পূন্নমক বসশিংগী হোরন মখোল তাবতদা উদ্রবসু মশক লোয়না খঙঙি, মমাঙদা দ্রাইভর, হেন্দিমেন শং শং হেক্তা উই।

কৈথেল লাইরেম্বী শিংদৌনা শিংবা লাইরেম্বীনি পূন্নমক লোইনা খঙই, উই। চেকশিন্দবা মীদুতদা অমাং–অতা থোকহনবগী ৱানি। কনানা মাঙহনবা ঙাক্তা ওইরবদি মাগী কৈথেল মুৎলোইদ্রা? কনানা মপুক্লিং চংনা অথুম–অহাও কৎপীরনি। চংলকপা খুদিং তরান্না ওকপীনি। পুকচেল তপ্পী ইমানি, যণ ফাওবা থাক্লিবীনি। হৌজিক লাইরেম্বীনা মায় ওনশিল্লপদা মপা মচাদগী পোৎ লৌখিবা পূন্নমক মথং মথং পৈশা পীররে। মমলদি অরৈবনা লেপ্পগী চৎনবী অমা লৈ হায়বা খুড়া তোমচা খঙই। অফংবা পৈশা খরদুনা ইমুংগী অৱাৎপা খরা লৈরগা য়ুমদা হল্লক্লে। মসিনি খুড়াসিগী য়ুম্বাল।

পোৎ লৈবা খোৎপা নুংঙাইবা, অহোং–অচাও ফংবা মফমদগী পোৎ লৈনিংবা মহৌশানি। হৌজিক কৈথেলসিদা খুড়া তোমচা ঙাইবা, ঙাইবা ঙল্লক্ত্রদুনা লাকফম রিককপা লল্লোনবী অমখক্তি থোঙ্গাল য়ৌরক্কদৌরে। লল্লোনবীনি হায়দুনসু মবুক মান্নদে, মীনুংশি খঙবা য়াওরি। লাক্লিবা লল্লোনবীসি মীনুংশি খঙবী ইবেমচানি। য়ান্না হনুশনবা নক্ত্রি, খৎপা, ইরাং পুবা য়ারিবা চহিনি। অদুবু মঙোন্দা লৈত –লায়রগী মীনুংশি অমা য়াওরি। কৈথেন্দা মীঙমদবা মপা মচাগী নমজা নমথেক, তুহৎ লাওহৎপীদুনা পোৎ লৌবিবা উবদগী লম্বীদগী পোৎ লৌগে লাক্লিবনি। খুড়া মপা মচাগসু তক্তনা পোৎ লৌন খোৎনবদগী মশক খঙনরে। লম্বীদা থেংনবদুদা মপা মচা ইঙক ঙকই। লোইদাংনা কৌই, ইবেচোনা হরাও হরাও–

– ইবেম্মা ঙসিদি ইচা লৈহৌরো। ৱাবনি। বাবাগা থৈকেল ফাওবা পুখ্রগে। নঙগী ইমুংগী অৱাৎ–অপা করি লৈহৌরি। হোরেল বাবাদা পীরক্কদবা পৈশাদুনা লৈরগা পীরল্লগে ইমা।

মপুক্লিং নৌই লোইদাং। অসুক কুইবসি কনাগী মচীন্দগী তারখিদ্রবা ৱাহৈ খরা ইচম চমজবা ইবেচো লল্লোনবীদগী তারকপদা পলেম মমানা কৈথেল চৎলমদাইদা থোঙ্গান্দগী লাওরম্বদু নীংশিংলক্তুনা মপি ঈরা চেল্লি। খোম্থোক ওন্না হায়রকই।

–পীবিরক্কনুদা ইমা, পূন্নমক লোয়না লৈহৌরিদা।

নুপীগী লৈত–লায়রগী থম্মোয়সি অমগা অমগা ফাওনমাল্লে। ঙাইহাক্তুনা ইবেচোগী থম্মোয়সু মচাগুম্বনি খন্দুনা পেৎথরকই।

খ্বাংচেৎ মচি লাংলগা রিক্সা ইনবা হৌরকই ইবেচো। ঙসি ইবেচোনা রিক্সা ইল্লকপা অসিনা য়াংবদি হায়রুনু খুড়া তোমচাদদি ইন্দোন্দু নীংশিংলক্তুনা অরুম্বা পোৎলুম অমা ওইররে মখোঙ থাংবা থোক্লক্ত্রে। খুড়াগী থম্মোয়গী পোৎলুম ইবেচোনা করন্ন দি উরুনি।

ইবেচোনা লম্বী ৱারী হৌরকই ৱাদনবা নমহায় ওইনা

– মীয়ান্না খুড়া কৌরবনিনা ঐসু খুড়া হেক্তা কৌজরগে।

– য়াইদা, য়াইদা। মখা তাদে খুড়াদু লম্বী ফনা শাংনা চৎলক্লে। ইবেচো ইকাইরপ তৌনা

–খুড়া য়ান্না ৱারম্লগনি। ঙাইহাক পোৎথাথোকখিসিরা?

– ৱাদেদা। ইবেম্মদুম ৱারম্লগনি, ঐগী ইতেং পাংবদা।

– চহী কয়াদি শুবিরগে খুড়া।

–চহীসি ইমান্নবদি ৫০ খজিক্তা মহেন্নরী, ঐদবু য়ুম্বানসিনা চিংথখিবগী ৱানি।

– ইচা ইশুদি য়ুম পানবা লোইবীরব্রা?

– ইচানুপী রিক্সা ইল্লকপীদুদা মঙাইরে, ঐবু থাদোকপা ঙমদদুনা লৈরিবা, অতৈদি লোইনা লাইরৈপাক তানখ্রে।

– হায়রিসিবু ইনে হায়গদ্রা ইদোন হায়গদ্রা অদুদি ...।

– মদু পল্লক্লনুদা থম্মোয়সি পুঙমদে। মহাক মরাইবক থীখ্রবীনি। মমা মপা লাইরবদা ওংই হায়দুনা ইথোকপীবনা শিবা ফাওবা চংলকখিদ্রে। লায়য়েংবীবা ঙল্লম্লবদি হিংলম্বসু ময়াবনি। মাগী ফিরোই লাক্লিবা পূর্ণিমা নুমিত্তা থোক্লি। ফিরোই অসিদদি, লায়য়েংবা ঙমহৌদ্রবসু শোঞ্জবা ঙমজগে হায়দুনা ইপা ইচানা হোৎনরি। ফিরোই লোইবদগীদি খুড়াসু মাগী মনাক্তা চৎখ্রনগে খল্লিবনি।

মখা তাখিদ্রে খুড়াদু। ইবেচোনা অমুক হংই–

–নচানুপী লোইদাংদি কমদৌহৌবা খুড়ানা চৎখ্রবদি।

পাউখুম পিরকখিদ্রে। ফনা শাংনা লাক্লে। কৈথেল য়ৌরে। রিক্সাদগী পোত্তু ইবেচোগী খাওদা হাপমিন্নরে। পোৎকী মমল পীরে। ঙাইহাক্তুদা ইবেচোনা ময়ুমগী মকুপ মতা চাকখুমগী থুম–থাও লোইদাংগী অকে–অমৌ পূন্নমক ময়োম ময়োম রিক্সাদা হাপচিনবীরে। খুড়া তোমচা কৈথেল কুম্লক্লে।

মীওইবা হায়বসি মীৱা ঙাংনরগা পোখানৈ। মীৱানা য়ুমগাইৱা ওইবসু কোঙ্গাইনি। কৈথেন্দগী পোৎ থিলক্ত্রবী ইবেচোগী ৱারীনা মচি মচি লল্লোনবী মশেল ঙাংনরকই–

অমনা –ইবেচাখোয়দি শেনফু থেংনখ্রেনে।

অনীশুবী–করিনো মীগী মরাইবক তম্বা ঙম্রদো। মরম ওকপা হনুবা পাখ্রা অমদা মদাও য়েংখ্রেদনা। শেন্দোংসু চাউনা ফঙখ্রে, কৈথেন্দা হারু হারু কোইচেল চেন্দুনা পোৎ খোল্লম্বদুসু তোকখ্রেদনা।

করিসু কাইজদবা অমকপা অমতা য়াওজদবা ইবেচোগী লমচত্তু চাম্বা কোক্লরোইদবা বদনাম কয়া তৈশিনবীরে। কৈথেন্দগী হেন্দোক্তুনা খুঙ্গং –সহর শরা শল্লে ইবেচোগী ৱারীনা। অচুম্বগী মফমদা অরানবা চংবা ঙমদে, ইবেচোনদি করিসু খল্লুদে। মাগী অচম্বা থম্মোয়না লৌইদাংবু মচাদা মচাদৌনা খুড়াবুনা মবুংতা মবুংদৌনা খল্লুবগী ৱাতনি।

ঙসিদি ইবেচাদু ইম্ফালদগী অহোং–অচাও পোৎ য়ামখ্রে পুথরক্লিবা ময়ান্না খন্নে–ইবেচাদি লমখাই বজারদগী পোৎ তিক্ত্রমাল্লে ইম্ফালদগী তিক্লগা হোম্বরক্লে। ইবেচো খুদক্তা রিক্সা অমা নেক্লগা পোৎশিংদু হাপ্লগা মানা হেক হেক খুড়া তোমচা থেংনফম অদোমদা লাক্লে। মহৌশাগুম লম্বীদা খুড়া তোমচা থেংনরে। তোমচানা–

– কদোমদনো ইবেম্মা, ঙসিদি পোৎ কনাদগী লৌরক্লে, অদুক য়ান্না পুরক্লিবা অদুবু খুড়াগী পোৎসি লৌররোইদ্রা?

রিক্সা খামই ইবেচোনা অদুগা হায়রকই–

–লৌগনি খুড়া, ইচা লোইদাংদি কৈদৌহৌরে?

–ইচাদু ঙসিদি মশা ঙমদে হায়দুনা লৈহৌরে। ঐহাক রিক্সাসি ইল্লকপদা কয়া ৱাখ্রে।

লোইদাং ঙমহৌদে তাবদা ইবেচোগী থম্মোয়দা নুংঙাইতবা ফাওই। অদুবু মখা তারকই–

ফরে, ঐনা পুরক্লিবা পোৎশিংসি খুড়ানা পুশিনবিখ্রো। খুড়ানা পুরক্লিবা পোত্তুনা ঐনা মহৌশাগুম পুজখ্রগে। পৈশাদি পোৎকা পোৎকা শিন্নরবা হায়দুনি। কোন্না পাথোক পাশিন তৌরসি, গাড়ী থাগদৌহৌরে। হয়েং পূর্ণিমা মতুংদা অমুক উনরসি।

খুড়াগা ইবেচোগনা রিক্সাদগী পোৎশিংদু ওথোক্লরে। ইবেচোনা খুড়াগী পোৎশিংদু বস মনাক ফাওবা পুখিনবা রিক্সা দ্রাইভরদা হায়রগা থৌবা হৌহনখ্রে।

ঙসিগী ইবেচোগী পোৎ খুৎলৌসিদা খুড়াদু ঙক্তক্লা নাকনগী লৈতোংদা ফমদুনা লৈ। খুড়াগী ৱাখন্দু ইবেচোনা উরদুনা পোৎশিংদুগী মরমদা হায়গে হায়দুনা খুদৈ মতেক অমা খুড়াগী মনাক্তা থারগা ফমথবা হেক হৌবদা মীয়াই চল্লবা নুপা অমা স্কুটর থৌজিল্লকই। মনাক্তা খংখাম খামই। খুড়ানা করিগুম্বা অমা হংগদৌবগুম খন্দুনা লেপখৎলকই। ইবেচাদি থাজদনা মপুরোইবগী ওইরক্লিবা ফিবমদুদা শ্বায় লাওই। খুড়ানা ইবেচোগী ওল্লক্লিবা মায়থোংদু তঙক তঙক য়েংদুনা লৈ। ৱা ঙাংদে নুপাদু, ইবেচোগী মশা পায়রগা স্কুটর মনাক্তা চিংশল্লি। খূৎচিংদু কনখিবনা ইবেচো মফি মরোল লোইশিনফম খঙদে।

–ঐনা মসিগী থবকসি তৌনু হায়দ্রা? উশিত্তবা। নঙগী ৱারীনা ইম্ফাল খুঙ্গং শরা শল্লবনি। লল্লোনলিবা হায়বদুরা নৎত্রগা... খল্লিবা হায়বদুরা। য়ুমদা য়ৌখিসনু খঙগনি নঙ। চিংখ্রে।

ইবেচাদু ইকাই নুংশি য়ান্ননা মফি লৌইশিন খোমজিন্না খুড়াদা নিংঙমদনা য়েংলগা মপুরোইবদা হায়জরকই–

–করিনো তৌবীরিবা অসিবু মীগী মমাঙদা। ঐখোয় ইচম চমজবা ঙাক্লি। য়ুম পাল্লবনি হায়দুনা নুপী ঐখোয়গী মীনুংশি ফাওবা মীঙোন্দা খাইদোকপা য়াদ্রবা। মীওইবগী মীনুংশি ফাওবা নিপা নখোয়গী শম্বল মনুংদা লৈগদবনি হায়বা ৱাখন্দু থাদোকপীয়ু। ঐ অকাইবা, ঈশ্বরমক্লি খঞ্জজিরিবা নঙগী মীংচৎ থীনবা লমচৎ করিসু চৎচরুবা লৈজদে।

ইবেচোগী ৱাহৈদু মপুরোইবনা তারুবা লৈতে। কাওবগা থীনবগা তৌবিরগা গাড়ী মনীংদা হাপ্লগা থৌখ্রে।

পাঙ্গল থোকচবদি ঙমদে, খুড়া তোমচা মিৎলু পিরাং শিন্দুনা ইবেচোগী ৱাখল খন্না ময়ুম মায়কৈ পাংলকই। ময়ুম য়ৌবগা লোইদাং কৌথোকই। মাঙ্গোন্দা ইবেচোনা পীরক্লিবা পোৎশিংদু রিক্সাদগী মথং মথং থাদৈ। লাই–তিনগী অৱাৎপা অমতা য়াওদে পূন্নমক লোইদাং মমাগী পূর্ণিমা নুমিত্তা কৎকদবা ফিরোইগী পোৎ ঙাক্তা ওইরম্লে।

ইবেচোগী মীনুংশি অমদি মমাগীদমক্তা লাংবীরক্লিবা পোৎশিংদু উরগা লোইদাং খোঞ্জেল থোক্লা মমা কৌরগা কপ্লকই।

খুড়া তোমচানা শ্বর ফয়না হোল্লগা–'ইবেচাদুবু করম তৌরিগবা'।

## শৈরেং

### পুন্সি ঈপাক

*– টি ঐচ চন্দ্র সিংহ*

মমি শান্নবা হকচাং–পোলাং,
পোখাফম খঙদ্রবা আত্মা,
চেম্থরি চীং–পাৎ তুরেল
থিংবিনবা লৈত্রবা পীরাংনা।

খল্লুই থৱায়না পুন্সিগী,
লৈনন্না থল্লবা লৈরাংগুম,
শান্নজরুই খম্থরুদনা ঈপাক্তা
থীংঙমদ্রবা কল্লবা ঈরেন্দা।

তাইবঙনা কনা ঈপাক্লা কনা,
পাক্লবা ঈপোল্লক্তা ঈরান্দুনা,
কাখৎলুই পোলাং য়াওদ্রবা থৱায়না
হন্না য়েংলকই মায়া সংসারদা।

অহ! ঐ ঙম্লোই থাদোকপা,
ইমা–ইপা–শাগৈ–নাতৈ,
চৎখিরোই অমম্বা সংসার অমদা,
তাইবঙ কৈথেল কাখিগনি।

কনানো অমনা লাওরকইঃ
হে থৱায় য়াওদ্রবা
হুন্দোক্লগ্লো কান্নদ্রবা হকচাংদো
শিল্লসি অনৌবা সংসার অমা।

হী! করিনো মসিদি?
শুক্র মন্নবা, মায়া মারিচিকা,
এ! আদা কনানো অমা
এ! ঙাল্লবা মঙাল অমসু।

থাদোক্লগদবা থৱায়না হকচাংদগী
মমল য়ান্নবা হীরাগুম কাইনরমদাইদা
ঙমদবগুম পীনবা বীদায় মচিন–মনাও
থৱায়না হকচাংগা শিন্নরমদাইদা।

---

### খাম্বী মৈথৌগদৌরোনে পারী ইমোমও!

*– কে ইমো মৈতে*

নশাগী হৌরকফম মশক খংদেদকো!
নশাবু মশক খঙজনবা হোৎনজদেদকো!
নশা মশক খঙদ্রিমখৈদি ৱাখিদৌরিদো!
নশাগী পারী পুরিশিংসু খংদ্রিবনিদো!

তাকপিরক্তে কনা অমত্তনা খংননবা
থৌনাফবা ইপা ইপুশিং খুদিংমক
মখোয়গী খোঙ্গুল মুৎখিদনবসু হোৎনবিদ্রি
মীগী মপা মপুশিংবুদি নিংশিংহল্লি।
মীগীদমক ৱাবিবা, ইশাগীনা নাচুংবীদবা
থৌনাফবা হায়গদৌরিব্রা অপংববু কৌগদৌরিব্রা?
মচল শুদ্রিবা লৈরাংনি খংদ্রিবা
ভারত সরকারগী লৈঙাক মপুশিংনি।

লৈচল শুদ্রিবা লৈকোলনি তাক্লম্মুনে
থৌনা ফরিবা ঙসিগী অঙম্বশিং
তুংলমসু মমাংথক্কী ইপা ইপুশিং
কাওহৌদনবা মুৎনাইদ্রবা খোঙ্গুল থনমসি।

শকতাকচে য়াওদনা পরিক্ষা থাহন্বসে
মণিপুরদা নক্তনা ভারত্তসু য়াহনগদৌরিব্রা?
থোঙ্গালদা লাউরিবশিংদো মরোলবু খঙজরব্রা
হংলম্মুদনা মাইক্রোফোন্দা মীয়াম তাননবা।

নহাক মৈতৈ চনুনি কাওরবরা
সেড্যুলনা করিনো ট্রাইবনা কনানো
ইমানা পোকপীরকপদা হংঙা হায়রক্তনা
ও! মায় গোড কৌরকখিবরা?

## তাবুনুংদগী

*(মণিপুরী সহিত্যগী শক্লাইরবা কবি থাংজম ইবোপিশক্কী ১৯৬৯ দা ফোঙখিবা শৈরেংগী লাইরিক ''অপাইবা থৱায়'' দা য়াওবা আগষ্ট ১৯৬৭ তা ইখিবা ''ঐগী ডাইরী'' কৌবা শৈরেং অসি ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)*

### ঐগী ডাইরী

''অচুম্বগীদমক থৱায় থাগনি''
অসিনি ঐনা লাউরিবনা
অদুবু ইরম্বদি–''অরানবা লীচৎকী
মোৎলবা ঈনা ঐগী শিংলী থূম্লবনি।''
ঐহাক পাঙদে অদুবু
পুন্সীগী ডাইরীবুদি মীনমদে,
অসিনি চাউথোকচনীংঙাই অমত্তংদি।
অমুকসু লৈরমই পরেং খরা
স্মৃতিগী নূংদা অমুবা ময়েক্লি–
''নুপী হায়ববু ইমানি,
মীনা ।।দগী তোপ্পদি
ফজবা লমচৎ অমসুং মীনুংশিগীনি।''
অদুবু থামম্বা অহিংদুগী নমথী–হাঙাই
নুংশিৎনা সাক্ষীনি,
নোংমা ঐহাক কামগী পেন্নবা থিবদা
থৱান থাগী ময়াই কারবা হূই ওইখি!
ওঃ ঐহাক মিহুন অমত্তংনি কান্নদবা
অশিবা শৱ–শয়াঙ মূর্ত্তিগী।

*থাংজম ইবোপীশক*

## মণিপুরী পান্থৈ –পাউরৌ, পাউতাক

**১৫. আনোক থোনবা**
– আনোক উপ্পা, মীৎ উনবগী মতেং লৌবা।

**১৬. আলুগী মথেল, নুপীগী য়ুম্নাক**
– ৱাখল য়াম্বা, অরেপ্পা লৈতবা।

**১৭. ইক–আ ইক–আ তৌবা**
– চঙক্লবা, হায়ফম তৌফম খঙদবা মওং।

**১৮. ইকংদা ইরাক্লবা**
– করিসু লৈতবা থবক্তা অৱাবা তাবা।

**১৯. ইংনা তপ্পা তৌবা থবক খোংজেল তপচরবসু থবক্তি চংখোল্লি।**
– পূন্নীং লৈতানা থবক তৌরবদি মচু তাই।

**২০. ইকা ঙাগুম হেলাং থাগনু।**
– ইরাং লাঙবা ইথক থকপা মীনা খুদোংচাবা লৌখিগদবা থবক।

**খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

## চানক্য নিতি

– গর্ভ অমত্তদগী পোক্লবসু, থৱানমিচাক অমত্তদা পোক্লবসু বোরোই মহৈ পূন্নমক, তিঙ্খং পূন্নমক মান্নদবগুম মীসু মান্নদে।

– ফন্নাইবশিংগী মখূৎ লুদে (লুবাপাম্বনা ফন্নাইদে), ইন্দ্রিয়গী নুংঙাইব পাম্বনা অকে অমৌ পাম্মী (অপাম্বা লৈতবনা হকচাংগী লৈতেং পামদে)। শিংদবা মীনা থোৎনা ঙাঙদে, চন্না অমসুং চাউনা ঙাঙবা মীনা মীনমদে।

– অপঙবনা অশিংববু য়েংথি, লাইরবনা লল্লেববু নুংশিদে। লমচৎ নাইদবীনা নিয়ম নাইনা য়ুম্বানবীবু কল্লকস অদুগা শকথীবীনা শকহেনবীবু কল্লকই।

– অতোপ্পগা লৈমিন্নরবা নুপীগুন্না নৈনদ্রবা বিদ্যা মাঙই। য়ামদনা হুনবা মরুনা লৌফম্বু মাঙহল্লি, লুচিংবা য়াওদবা তেঙ্গোল মাঙই।

– লেপ্তুনা হোৎনরগা বিদ্যনা তুঙই, শাগৈগী ইজৎতি লমচৎ ফজবনা ঙাকই, মগুননা মীশক তাকই অদুগা অশাউবদি মীৎনা তাকই।

**হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা**

## মণিপুরি পাখোং

৫৬. ময়াম্বাদগী মনাওনা হনবা–
৫৭. মনঙ্গন্দা মরুম কোকশনবা–
৫৮. মচিন্না মচা কোকপা–
৫৯. মচাদা মনাওনি হায়বা–
৬০. লুখাক লাইদা কৎপা–

**পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমাইজিংগী লমাই অসিদা ফোঙদোকচগনি**

**মমাঙ নোংমাইজিংগী (২৯–১০–২০১৭) পাউখোঙ ফোঙবা**

৫১. শবী
৫২. চুরুপ থকপা
৫৩. মমিং অর্মিন কৌবা
৫৪. জ্বার শানবা
৫৫. মি

## কান্ন–ৱানি খঙজীনবিয়ু

* **উসোপ (ভান্দ্রা)দা লাঙনরিবা এন্সাং মথেল–লুকোইশিংগী মরমদা খঙজীনবিয়ু।**

– মৈতৈনা 'উসোপ' হায়রগদি লাই–তীনগী থৌরমগা মরী লৈননা চাক –এন্সাং মথেল–লুকোই লাঙলগা লাইদা কৎলবা মতুংদা, অখন্নবা বার্তোন তৌদুনা কৌবা মীয়াম পূন্না চাক্লেন চামীন–থকমীন্নববু খঙনরে। অসুন্না চামীন–থকমীন্নবগীদমক্তা শীনবা চাক্লেন চাববু 'ভান্দ্রা' চাবা হায়রগা খঙনরকই (ঙসিদি 'ভান্দ্রা' হায়বা ৱাহৈ অসি শিজীন্নখিদ্রে)। লাই–তীনগী থৌরমগা মরী লৈননা শীনবা উসোপকী মথেল–লুকোইশিংদদি মহৌশানা ঙাগী শরুক য়াওহন্নরক্তে, মনা–মশীং –হৱাই–চেঙৱায় অমসুং হৈ–রাশিংতগী ওইবা (নিরামিষ– ভেজিটেরিয়ন) মথেল–লুকোইশিংতমক লাঙনরকই। অদুগুম্বা এন্সাংগী মথেল–লুকোইশিং অদু থৌবু ওইরিবা অদুগী অপাম্বা নৎত্রগা ঙমজবা মতুং ইন্না মশীং য়ান্না য়াম্বা নৎত্রগা য়ামদবা চৎনরকই। মথেল য়ামহনবগীদমক্তি মশীং ১০৮ (চাম্মনিপান) শুহনবা য়াই হায়বসি মণিপুরগী সনা কোনুংদা লৈরিবা শ্রীশ্রীগোবিন্দজীগী লুক কৎপদা মথেল–লুকোই ১০৮ লাঙদুনা অখন্নবা মতম খরদা কৎলিবা অসিদগী খঙবা ঙম্মী। অচম্বা, অথূম্বা, অশীনবা, অখাবা, অয়াকপা, অফকপা নচিংবা মহাও খূদিংমক শূনা য়াওরবা মৈতৈ উসোপকী মথেল–লুকোইশিংনি। মসিদা তঙাইফদনা য়াওহন্নরিবা মথেল মরীখক্তিঃ–

(ক) মনা–মশীং অমা নৎত্রগা অমগী নৎত্রগা অমদগী হেনবা ময়ানগী চম্ফুৎ, (খ) উটি, (গ) লফূ অনোয়বা (ইরোনবা) অমদি (ঘ) সগোলহৱাই থোংবা।

হায়রিবা মথেল মরী অসি লাই–তীনগা মরী লৈনবা থৌরমগী উসোপখক্তদা নক্তনা ঙাগী মথেল–লুকোই য়াওবা মপাম–চাক্লৌবা, চাকচা–হৈজানবা নচিংবগী মথেল–লুকোই লাঙবদসু তঙাইফদনা য়াওহন্নরকই। অদুবু হৌজিক্কী মতমদদি লফূ অনোয়বগী মহুত্তা মতম–মতমগী ওইনা ফংবা মমল তাঙবা মনা–মশীংগী (খূদম ওইনা – য়োংচাক অমসুং অতৈ চানবা মচলশিংগী, সেবোৎ–য়েন্দেম–থাংজিং–সোইবুম অমসুং অতৈ চানবা মচলশিংগীনচিংবা) অনোয়বনা শীনবা হৌদোক্লরক্লে। সগোলহৱায় থোংবা য়াওহন্নরক্তবা কয়াসু তৌনরক্লে। অদুবু থৌওং অসিদি, থায়নগী মৈতৈ ইপা–ইপুশিংনা য়ান্না বৈজ্ঞানিক (সাইন্টিফিক) ওইবা মওংদা মথেল–লুকোই ময়াম পূন্না অমুক্তদা চাশীন–থকচীনবদা হকচাং শোকহন্দনবগী পাম্বৈ ওইনা অৱাংবা থাক্তা য়াক্তুনা থম্বিরম্বা কাঙলোনশিং অদু মুন্না খঙদবদগীনি হায়না লৌবা য়াই। মরমদি– মৈতৈ ইপা–ইপুশিংনা মৈতৈ উসোপকী মথেল লুকোইদা সগোলহৱায় থোংবা তঙাইফদনা য়াওহল্লম্বদি করিগুম্বা চাবদা য়েনমৌনবা (পোইজনিং নৎত্রগা অলর্জি) য়াওরকপদা ঙাকথোক্লবা (এন্টিডোট) মখল অমা ওইনা য়াওহল্লম্বনি। অদুনা ঐখোয়না মৈতৈ উসোপকী মথেল লুকোই চাবদা সগোলহৱাই থোংবগী মথেল অসি চাগদবমক অমা ওইনা য়াওহন্নরকপনি। অদুগা মৈতৈগী উসোপতা লফূ অনোয়বগী মথেল অমা য়াওহন্দবমক য়াদ্রবগুম ৱারী শীংবুল অমগা শাগোন্নহন্দুনা য়াওহল্লম্বা অসিসু য়ান্না বৈজ্ঞনিক ওইনা লফূদা মরাঙ কায়না য়াওবা মশীং (ফাইবর) গীদমক্তনি। চাশীন–থকচীনখ্রিবা মথেল–লুকোইশিং অদু হকচাংদগী শেংদোরকপদা লফূদগী ফংবা ফাইবরশিং অদুনা অঙকপা ফংনা মতেঙ পাঙই। মরম অদুনা ঐখোয়না উসোপকী মথেলদা লফূ অনোয়বা তঙাইফদনা য়াওহনগদবমক্লি, অদুগা মদু শোয়দনসু চাগদবমক্লি। (মৈতৈগী উসোপ, চাকচা–হৈজানবনচিংবগী মথেল–লুকোইদা তঙাইফদনা য়াওনরিবা চম্ফুৎ অমদি উটিগী মথেল করিগীদমক করন্না চাগনি অদুগা অরোয়বদা থুম য়েল্লিবা করিগীনো হায়বনচিংবগী অখন্নবা মরমশিং খংজিন্বদা কান্নগনি।

*( খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশিং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক ''কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু'' দগী লৌথোকপা)*